## এয়র রেইদ চথখ্রে

বেনঘাজি, সেপ্তেম্বর ১৬ (এজেন্সি) :
লিবিয়াগী মালেম্না শকখঙবা গভর্নমেন্টনা কন্ট্রোল তৌরিবা সির্টে সিটিতা লৈবা মিলিটরি পোজিসন অমদা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ইষ্টর্ন লিবিয়ন ফোর্সেসনা এয়র ষ্ট্রাইক কয়া চথখ্রে হায়না ওফিসল অমনা রোইটর্সতা ফোঙদোকখ্রে। ট্রিপোলিদা বেজ তৌবা গভর্নমেন্ট অসিনা মসিগী ফেসবুক পেজদা দ্রোনশিংনা গভর্নমেন্টকা মীচং ওইনবা ফোর্স অমগী পোজিসনশিংদা ষ্ট্রাইক কয়া চথখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

## পাকিষ্টানিশিংনা আর্মি শৌগৎলি

ইস্লামাবাদ, সেপ্তেম্বর ১৬ (এজেন্সি) :
ইন্দিয়াগী অকন-অরিং শীংবগী থৌওং খুদিংমক মায়োক্লনবা মপুং ফানা শেম শাদুনা লৈরিবা পাকিষ্টানগী আর্মদ ফোর্সেস লৈবাক অসিগী মীওই মিলিয়ন ২২০ পুম্বনা শৌগৎলি হায়না পাকিষ্টানি ফোররেন মিনিষ্টর সাহ মেহমুদ কুরেসিনা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা পঞ্জাব প্রোভিন্সতা পব্লিক মীটিং অমদা ফোঙদেকখ্রে।

# প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা সাউদি এটেক্কী খুৎ হন্নবা শেম শারে হায়বদগী থাউগী মমল হেনগৎখ্রে



দুবাই, সেপ্তেম্বর ১৬ (এজেন্সি) :
সাউদি অরাবিয়াগী ওইল প্লান্টশিংদা চথখিবা এটেক অমগী মতাংদা য়ু এস ওফিসলশিংনা ইরানবু মরাল শীখিবগা লোয়ননা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা খুৎ হন্নবা শেম-শারে হায়না ফোঙদোকখিবা মতুংদা কুমজা ১৯৯১দগী হৌজিক ফাওবগী মনুংদা খ্বাইদগী ৰাংবা চাংদা থাউগী মমল হেনগৎখ্রে।

মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা শুংদোক্ত্রিবা থাউগী প্রোসেসিং প্লান্টদা অমাঙ-অতা থোকহনখিবা এটেক অদু য়েমেনগী কেপিটেল সানা কন্ট্রোল তৌরিবা ইরানগা মীচং চুংশিন্নবা হোথি মুভমেন্টনা গ্রুপ অসিগী খুৎনি হায়না ক্লেম তৌখ্রবনি। এটেক অদুগী মতাংদা য়ু এসনা ইরানবু মরাল শীরিবদু টেহরান্না য়াখিদবগা লোয়ননা ইরানিয়নশিংনা মপুং ফাবা লান অমা শোক্লনবগীদমক শেম শারে হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি।

সাউদি অরাবিয়াগী ষ্টেট ওইল কম্পনি সাউদি অরামকোগী ওপরেসনশিংগী মতাংদা ব্রিফ তৌখ্রবা সোর্স অনীনা রোইটর্সতা হায়খি মদুদি, সাউদি অরাবিয়ানা মহৌশাগী ফিভমদা থাউ পুথোক্লবা হোৎনবদা থা কয়ামুক চঙলবা য়াই। মসিগী মমাংদা লৈবাক অদুগী ওইল প্রদক্সন মহৌশাগী ফিভমদা লাকহনবদা চয়োল খরা চঙগনি হায়না পানখিবনি।

থাউগী মমল হান্না লৈরম্বা চাংদগী চাদা ১৯ ফাওবা হেনগৎখি। খঙহৌদনা নোংমগী ওইনা লেপ্লিবা থাউগী মমল হেনগৎলিবদু কুমজা ১৯৯১ দা ইরাক্না কুৱেটতা লান দাদুনা গল্ফ লান থোকহনখিবদগী খ্বাইদগী ৰাংবা চাংনি হায়না লৌনরি। প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা য়ু এস ইমর্জেন্সি সপ্লাইজ থাদোক্লগনি হায়না লাউথোরকখিবদগী থাউগী মমল খরমখৈ অমুক হন্দোরকখি। ট্রম্পকী খোঙথাং অসিগা লোয়ননা মালেমগী থাউ পুথোক্লিবশিংনা সপ্লাইজদা খঙহৌদনা লৈরক্লিবা অৰাৎপশিং মেনখৎনবা থাউ রিজর্ভশিং মরাং কায়না লৈ হায়না ফোঙদোক্লখি।

# দিজল ফ্যুএল স্মগল তৌরম্বগী মরালদা ইরাননা গল্ফতা ভেসেল অমা ফাজিনখ্রে



দুবাই, সেপ্তেম্বর ১৬ (এজেন্সি) :
য়ুনাইটেদ অরাব এমিরেটসতা দিজল ফ্যুএল লিটর ২৫০,০০০ স্মগল তৌনবগী মরালদা ইরানগী রেভোল্যুসনরি গার্দসনা গল্ফতা ভেসেল অমা ফারে হায়না ইরানগী সেমি-ওফিসল ষ্টুদেন্টস ন্যুজ এজেন্সি আই এস এন এগী রিপোর্টনা হায়রি।

ফারিবা ভেসেল অদুগী ক্রু মেম্বরশিংগী নেসলিটিশিংগী মতাংদা অকুপ্পশিং পন্দবিদা আস এস এন এগী রিপোর্ট অদুনা মখা তাখি মদুদি, ভেসেল অদু ইরানগী পর্সিয়ন গল্ফতা লৈবা গ্রেটর টুনব ইথৎ মনাক্তা ফাজিন দুনা থল্লে অমদি ক্রু মেম্বরশিং অদুনা সাউদর্ন হোর্মোজগান প্রোভিন্সকী লিগেল ওথোরিটিশিংদা শীন্নখ্রে।

ভেসেল ফাজিনবগী থৌদোক অসি হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা টেহরানগা মতম শাংনা য়েংথিনরক্লবা সাউদি অরাবিয়াগী অচৌবা ওইল ইনষ্টোলেসন অমদা এটেক অমা চথরকখিবা মতুংদা মালেমগী উংখৎনবা ফিভম হেনগৎলক্লিঙৈ চৈরক্তা থোরক্লিবনি। সাউদি ওইল ষ্ট্রাইক অদু য়েমেনগী ইরানগা মীচং ওইনবা হৌথি মুভমেন্টনা গ্রুপ অসিগী খুৎনি হায়না ক্লেম তৌখ্রবসু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনদি এটেক অদুগী মতাংদা ইরানবু মরাল শীরি।

অমরোমদা, ইরান্না য়ু এসকী ৰাফম অসিবু য়াদ্রি। ইরান্না থা অসিগী অঙনবদগী ফ্যুএল স্মগলিং থেংনবা হৌখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী কোষ্ট গার্দশিংনা মমাংদা গল্ফতা ভেসেল অমসু ফাজিনখ্রবনি।

# রৌহানিনা য়ুনাইটেদ নেসন্সতা ট্রম্পকা উনরোই : টেহরান





দুবাই, সেপ্তেম্বর ১৬ (এজেন্সি) :
ইরানগী প্রসিদেন্ট হসন রৌহানিনা য়ুনাইটেদ নেসন্সতা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকা উনরোই হায়না টেহরাননা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

হ্বাইট হাউসনা মখোয় অনীগী মরক্তা ৰারী শান্নবা য়াবগী থোঙ হাংদুনা লৈ হায়না ফোঙদোকখিবা মতুংদা ইরাননা ৰাফম অসি লাউথোরকখিবনি।

অসিগুম্বা মীটিং ঐখোয়গী এজেন্দাদা য়াওবসু লৈতে, থোকসু থোক্লোই হায়না ইরানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অবাস মৌসাভিনা ষ্টেট টিভিদা ৰা ঙাঙলদুনা হায়খি। ইরানদা অথিংবা কয়া থল্লিঙৈ লৈবাক অসিনা ৱাশিংটনগা ৰারী অমত্তা শান্নরোই হায়না ইরানিয়ন ওফিসলশিংনা মমাংদা হঞ্জিন-হঞ্জিন্না ফোঙদোকখ্রবনি।

পনবা য়াবদি, ট্রম্পনা কুমজা ২০১৫ দা মালেমগী পৱারশিংগা য়ানখিবা টেহরানগী ন্যুক্লিয়র একোর্দসতগী হৌখিবা চহীদা ৱিথদ্রো তৌখিবগা লোয়ননা টেহরানগী মথক্তা অথিংবা কয়া নৌহৌননা থমজিনখিবনি।

সাউদি অরাবিয়াদা চথখিবা শাথিরবা এটেক অদুগী পাউখুম পীনবা শেম শাদুনা লৈরে হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা লাউথোকখিবা মতুংদা সাউদি ওইল প্লান্টশিংদা চথখিবা শাথিরবা এটেক অদুদা টেহরান চাওনা চেন্নে হায়বা য়ু এসকী ৰাফম ইরান্না মমাংদা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

অথিংবা পুন্নমক লেপ্পা নৎত্রগা লৌথোকপা হায়বসি মহয় য়ানগদবা দিপ্লোমেসিগী খোঙথাংদা লাক্লবগী য়াম্না তঙাইফদবা প্রিকন্দিসন অমনি। ঐখোয়গী প্রোব্লেমশিং সোলভ তৌবা শোয়দনা য়ারগনি হায়বগী থাজবা লৈরবা মতমদা ঐখোয়না মীফম পাঙথোকই হায়না ইরায়িন গভর্নমেন্টকী স্পোক্সমেন অলি রাবিয়াইগী ৱারোল পল্লদুনা সেমি-ওফিসল ন্যুজ এজেন্সি টাসনিমনা ফোঙদোকখি।

হ্বাইট হাউসকী এদভাইজর কেলিয়ান কোনৱেনসু থাংজ নুমিৎকী এটেকশিং অদুনা য়ু এন জেনরেল এসেমব্লি মনুংদা লুচিংবা অনীগী মরক্তা মীফম পাঙথোকপগী ৰাফম চিংননিংঙাই লৈহল্লি হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখিবনি।

# অফঘানিষ্টান্না প্রসিদেন্টকী মীখল পাঙথোক্লবা শেম শারি

কাবুল, সেপ্তেম্বর ১৬ (এজেন্সি) :
টালিবাননা কিহনবা কয়া লৈরিঙৈ অমসুং শীংনবা কয়াগী মরক্তা সেপ্তেম্বর ২৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রসিদেন্ট মীখলগীদমক্তা অফঘানিষ্টান্না শেম শারে।

টালিবান মিলিটেন্টশিংনা মীখলগী প্রোসেসতা চাওনা অকায়বা পীগনি হায়না ৱার্নিং তৌবা লৈন-লৈনা মীখলগী সিক্যুরিটিগী মতাংদা খন্ননবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা অফঘান ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী ওফিসলশিংগী মীফম অমা পাঙথোকখি হায়না সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি অয়ুক ঐহাক্না চ্যের লৌদুনা ইলেক্সন সিক্যুরিটিগী মতাংদা চয়োলগী ওইবা প্লান্নিং এন্দ কোওর্দিনেসন মীটিং পাঙথোকখি। ঐখোয় হৌজিক মরু ওইবা তাঙ্কক অমদা চঙশিল্লক্লি। হৌজিক ফাওবদা ঐখোয়গী অপাম্বা হান্না থৌরাং তৌখিবা সিক্যুরিটিগী পান্দম পুম্বা ফংবা ঙম্লবা মতুংদা হৌজিক ঐখোয়না মীখলগীদমক্তা শেম শাবা লোইবগা লোয়ননা সেপ্তেম্বর ২৮ লাকপা ঙাইরি হায়না ইন্টিয়র মিনিষ্ট্রিগী ওপরেসন্স এন্দ প্লান্সকী দিরেক্টর জেনরেল অব্দুল মৌকিম অব্দুলরহিমজাইনা ত্বিটরদা ইখি।

গভর্নমেন্টনা মরু ওইনা মীৎয়েং থল্লিবদি অফঘান সিটিজনশিংবু ঙাক-শেনবনি অদুনা মীখল অসি মায় পাক্না পাঙথোকনবা হোৎনবদা ৱানা শরুক য়ারিবা ঐখোয়গী পার্টনর খুদিংমকপু ঐখোয়গী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়নসু মহাক্না পনখি।

হৌজিক-হৌজিক প্রসিদেন্ট ওইরিবা মোহমদ অশ্রফ ঘানি অমসুং মহাক্কী চীফ এগজিক্যুটিভ অব্দুলাহ অব্দুলাহ য়াওনা পুন্না মীরেপ ১৮ না মীখল অসিদা লম্বা তৌনরিবনি।

অফঘান প্রসিদেন্টগী মীখল অসিগী ইলিজিবল ওইবা ভোটরশিংগী মশিংনা মিলিয়ন ৯ হেনগনি হায়না থাজনরি। টালিবান ফাইটরশিংনা লৈবাক অদুগী সিটিশিং অমসুং দিষ্ট্রিক্টশিংদা অচৌবা এটেক কয়া পাক্তক্লনা চথবা হৌখিবগা ইরোইননা অফঘান নেসনল দিফেন্স এন্দ সিক্যুরিটি ফোর্সেস (এ এন দি এস এফ)না মিলিটেন্টশিং অসিগী মায়োক্তা চথবা সিক্যুরিটি ওপরেসনশিং কনখৎখি।



# প্রোটেষ্টরশিংদা অশেংবা নোংমৈ মরু শীজিন্নগনি হায়না কিহনখ্রে

হোংকোং, সেপ্তেম্বর ১৬ (এজেন্সি) :
প্রোটেষ্টরশিংনা পুলিসতা পেট্রোল বোমশিং লংশিনবা তারবদি পুলিসনসু নোংমৈ মরু অশেংবা কাপথোরকপা য়াই হায়না হোংকোংগী পুলিস এসোসিএসন অমনা ৱার্নিং তৌখ্রে।

জুনিয়র পুলিস ওফির্সস এসোসিএসনগী চ্যের লাম চি-ৱাইনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, হৌখিবা চয়োলগী অরোইবদা প্রোটেষ্টরশিংনা চথখিবা শাথিরবা থৌওং কয়ানা এসোসিএসন অসিবু অদুক্কী মতিক খোইরাং খোইশাওহনবগা লোয়ননা থৌওংশিং অদুবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়বসি এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী থল্লি।

লামনা প্রোটেষ্টরশিংবু রাইওটরশিংনি হায়রদুনা মখোয়না মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়াদা এটেক তৌখি হায়না ফোঙদোকখি। নীংথিনা শীন-লাংখিবা মওংদা মোলোটোভ কোকটেলশিং লংখিবনা মরম ওইদুনা পুলিস ওফিসর কয়াগী পুন্সিদা অকিবা ফাওবা পোকহনখি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

নোংমাইজিং নুমিত্তা পেট্রোল বোম পায়বা প্রোটেষ্টরশিংনা কোয়শিল্লকপদগী ট্রাফিক পুলিস অনীনা মখোয়গী সভিস পিষ্টলশিং শেৎতোকখিবগী ক্লিপ অমা মহাক্না পনখি। অসুম্না অচুম্বা ৱাখল খনবা ঙম্বগী পাঙ্গল চেনদবা মানবা ইৱাং হৌরিবা মীওইশিংদা ঐহাক্না ৱার্নিং তৌরদুনা হায়রি মদুদি, মখোয়না শীজিন্নখিবা পেট্রোল বোমশিং অদু তশেংনমক মী শিহনবা য়াবা শাথিরবা খুৎলায়শিংনি। ইৱাং হৌরিবা মীওই অমনা পেট্রোল বোম থাঙ্গৎতুনা লংনবা হোৎনরকপা মতমদা মফম অদুদা লৈরিবা পুলিস ওফিসরশিংনা মদু মখোয়দা নৎত্রগা অতৈদা মীশি-মীনা থোকহনগদবা শাথিরবা এটেক অমা চথরক্কদৌরে হায়না খন্দুনা অশেংবা নোংমৈ মরু য়াওনা চানবা ফোর্স নৎত্রগা খুৎলায় শীজিন্নদুনা মদুবু থিংনবা হোৎনরকপা য়াই হায়না লাম্না ইখি।



# নোর্থ কোরিয়াগী কিমনা ট্রম্পপু প্যোংয়াংদা লাক্লবা ইনভাইট তৌখ্রে

সিওল, সেপ্তেম্বর ১৬ (এজেন্সি) :
দি ন্যুক্লিয়রাইজেসনগী ৰারী লেপ্পুনা লৈরিঙৈ চৈরক্তা নোর্থ কোরিয়াগী লিদর কিম জোং-উননা হৌখিবা ওগষ্টতা লেটর অমা থাদুনা প্যোংয়াংদা লাক্লবা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পতা ইনভাইট তৌখ্রে হায়না সাউথ কোরিয়াগী পাউচে অমনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা দিপ্লোমেটিক সোর্সশিং পল্লদুনা ফোঙদোকখি।

ওগষ্ট থাগী অহুমশুবা চায়োলদা থাখিবা লেটর অদুদা কিমনা মহাক অহুমশুবা সম্মিট অমা পাঙথোকপগী ৰাফম য়ানিংই হায়না পল্লদুনা প্রসিদেন্ট ট্রম্পতা নোর্থ কোরিয়াগী কেপিটেল প্যোংয়াংদা লাক্লবা ইনভাইট তৌখি হায়না জুঙাং ইলবো পাউচেনা মশক মমিং খঙদবা সোর্সশিং পল্লদুনা হায়খি।

পনবা য়াবদি, কিমনা থারকপা য়াম্না ফজবা লেটর অমা ফংলে হায়না ট্রম্পনা ওগষ্ট ৯ দা ফোঙদোকখিবনি। তৌইগুম্বসুং য়ু এস ওফিসলশিংনা ওগষ্টতা থারকখিবা অনীশুবা লেটর অমগী মতাংদদি ৰাফম অমত্তা পনখিদে।

নোর্থ কোরিয়াগী মিসাইল অমসুং ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রামশিংগা মরী লৈননা লৈরিবা ক্রাইসিস লৈখায় তানবগীদমক লম্বীশিংগী মতাংদা খন্নবা ওইনা ট্রম্প অমসুং কিম্না হৌখিবা চহীগী জুনদগী মীফম অহল্লক পাঙথোকখ্রবসু মশক থোকপা মওংদা পোগ্রেস লৈখিদে হায়না লৌনৈ।

মখোয়গী অহানবা মীটিং অনী ফোর্মেল সম্মিটশিং ওইখি। ইকোন কোনবা ভিয়েটনামগী কেপিটেল হনোইদা হৌখিবা ফেব্রুৱারিদা পাঙথোকখিবা অনীশুবা সম্মিট নোর্থ কোরিয়াগী দি ন্যুক্লিয়রাইজেসনগী মতাংদা তৌরিবা য়ু এসকী দিমান্দশিং অমসুং অথিংবশিং কোমথোক্লবা নোর্থ কোরিয়ানা তৌরিবা দিমান্দগী মরক্তা লৈরিবা লুচিংবা অনীনা য়ানবা পুরকপা ঙমদবগী ফেল ওইখি।

মখোয়না হৌখিবা জুন ৩০ দা কোরিয়া অনীগী মরক্তা দিমিলিটরাইজ জোনদা অহুম্লক শুবা ওইনা উনদুনা ৱার্কিং-লেভেলদা ৰারী শান্নবা অমুক হৌনবগী ৰাফম য়ানখ্রবা মতুংদা হৌজিক ফাওবা অদুগুম্বা নিগোসিএসন অমত্তা পাঙথোক্তনা লাক্লিবনি।



# য়ুনিয়নগী লিদর থিবা খঙখিদবদগী দোক্তরশিংনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

হরারে, সেপ্তেম্বর ১৬ (এজেন্সি) :
জিম্বাবৱেগী দোক্তর চা কয়ানা মখোয়গী য়ুনিয়ন লিদর থিবা খঙখিদ্রবগী মতাংদা নিংথৌকাবা নুমিত্তা সেন্ট্রেল হরারেদা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে। তৌইগুম্বসুং রাইওট পুলিসনা মখোয়বু প্রসিদেন্ট ইম্মর্সন মনাগগৱাগী ওফিস তম্না চৎনবা হোৎনবদা থিখি হায়রি।

জিম্বাবৱে হোস্পিটাল দোক্তরস এসোসিএসন (জেদ ঐচ দি এ)গী প্রসিদেন্ট পিটর মাগোম্বিয়ি অসি হিংবদা তঙাইফদনা চঙলিবা পোৎলমশিংগী মমল ৱাংখৎলকপনা মরম ওইদুনা ষ্টেট দোক্তরশিংগী ৱেজেজ হেনগৎহন্নবা দিমান্দ তৌরদুনা হৌজিক চথরিবা ষ্ট্রাইক অমা শীন-লাংলিবশিংগী মনুংদা অমা ওইনা থবক তৌরকখিবা মতুং থাংজ নুমিৎকী অহিংদা খঙহৌদনা থিবা ফংখিদবনি। জেদ ঐচ দি এনা মরু ওইনা পব্লিক হোস্পিটালশিংদা জুনিয়র দোক্তরশিং রিপ্রজেন্ট তৌই।

মহাক্কী কোলিগশিংনা মহাক হোস্পিটালশিংগী হেল্থ ক্যের সির্ভিসশিংদা চাওনা অকায়বা থোকহল্লিবা ষ্ট্রাইক অদুবু থুগায়নবা হোৎনবগী শরুক অমা ওইনা সিক্যুরিটি সর্ভিসেসনা ফাখিবনি হায়না ফোঙদোরকচরবসু ইনফোর্মেসন মিনিষ্ট্রিগী সিনিয়র ওফিসল অমনদি মহাক মাঙখিবদা গভর্নমেন্ট চেন্নে হায়বা ৰাফম রিজেক্ট তৌখি।

ওপোজিসন্না হৌখিবা থাদা প্রোটেষ্ট কয়া পাঙথোক্লবা হোৎনখিবদা গভর্নমেন্টনা এক্তিভিষ্ট কয়া ফা পুনখি হায়না রাইটস গ্রুপ কয়ানা মরাল শীখিবদসু গভর্নমেন্টনা ৰাফম অদুবু য়াখিদবনি। দোক্তরশিংনা নো পিটর, নো ৱার্ক হায়বা খোল্লাও লাওবগা লোয়ননা পিটর পুথোরকউ হায়বা প্লেকার্দশিংসু উৎখি।



# রোহিঙ্গা মুস্লিমশিং হৌজিকসু জেনোসাইদকী অকিবা মায়োক্লরি



য়াঙ্গোন, সেপ্তেম্বর ১৬ (এজেন্সি) :
ম্যান্মারদা হৌজিক লৈহৌরিবা রোহিঙ্গা মুস্লিমশিং চা কয়া সিষ্টেমেটিক ওইবা মওংদা তাথি তাওইনা তৌবিবা য়াবগী ফিভম মায়োক্লবগা লোয়ননা পাক্তক্লনা হাৎলকপা য়াবগী অকিবা অমগী মখাদা হিংলি হায়না য়ু এনগী ফেক্ট-ফান্দিং মিসন অমনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

কুমজা ২০১৭ গী ওগষ্টতা রোহিঙ্গা লালহৌবশিংনা পুলিস ফোর্সশিংদা এটেক কয়া চথখিবা মতুংদা ম্যান্মার মিলিটরিনা ৱেষ্টর্ন রখায়ন ষ্টেটতা চথখিবা অকনবা কেম্প্যেন অমদা মীওই ৭৩০,০০০ হেন্না য়ুমথংনরিবা বাংলাদেশতা লাঞ্জেনখিবগা লোয়ননা ম্যান্মারগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিনা কেম্প্যেন অদুদা মীচমশিং হাৎপা, গেংরেপ তৌবা অমসুং য়ুম কয়া পাক্তক্লনা মৈ থাবা অমদি লন-থুম কয়া মাঙহনবনচিংবা থৌওং কয়া চথখি হায়না য়ু এন্না মরাল শীরিবনি। ম্যান্মারনা লৈবাক অসিদা শীরিবা মরাল অয়াম্বা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা য়ু এনগী পেনেল অমনা হৌখিবা চহীগী সেপ্তেম্বরদা ফোঙখিবা রিপোর্ট অমদা মিলিটরি ওফিসরশিংনা রোহিঙ্গা মুস্লিমশিংগী মায়োক্তা কাঙলুপ অমবু তুম্না হাৎপগী ৱাখলগা লোয়ননা কেম্প্যেন অদু চথখিবনি হায়বা ৰাফম্লসু রিজেক্ট তৌখিবনি।

য়ু এন পেনেলগী রিপোর্ট অদুনা রোহিঙ্গা মুস্লিমশিংগী মায়োক্তা চথখিবা কেম্প্যেন অদুদা মীওৎ-মীনৈশিং তৌখিবদা চেন্নবা আর্মি ওফিসরশিং ৱায়েল মায়োক্লহনগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখিবনি। রখায়ন ষ্টেটতা হৌজিক রোহিঙ্গা ৬০০,০০০ লোম অথিংবা কয়াগা লোয়ননা য়াম্না খুদোংচাদ্রবা ফিভমশিংদা লৈরি হায়না রিপোর্ট অদুদা পনখি।

## ওপোজিসন এক্তিভিষ্টশিং ফাজিনখ্রে

ফনোম পেন, সেপ্তেম্বর ১৬ (এজেন্সি) :
লাক্লিবা নবেম্বর থাদা কম্বোদিয়াদা লাক্লবা থৌরাং তৌরি হায়নরিবা লোইদা লৈরিবা হান্নগী ওপোজিসন পোলিটিসন সাম রাইন্সিবু শৌগৎপা উৎনবগীদমক্তা রেলি পাঙথোক্লবা লোন্না থৌরাং কয়া তৌরম্বগী মরালদা লৈবাক অসিগী ওথোরিটিশিংনা হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা পোলিটিকেল এক্তিভিষ্ট ৬ ফাগৎখি হায়না পুলিসনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ইনৌ নৌনা ফারিবা এক্তিভিষ্টশিং অসিগা লোয়ননা অথিংবা থমখ্রবা ওপোজিসন কম্বোদিয়া নেসনল রেস্ক্যু পার্টি (সী এন আর পি)গী এক্তিভিষ্টশিংগী মশিং হৌজিক ফাওবদা ফাবা পুন্না ২৬ শুরে হায়রি।

মতম শাংনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরক্লবা হুনসেনগী পার্টিনা হৌখিবা চহীদা পাঙথোকখিবা মীখলদা পার্লিয়ামেন্টকী সীট পুম্নমক ফংদ্রিঙৈগী মাঙওইননা কুমজা ২০১৭কী অথেংবদা সুপ্রিম কোর্টনা সী এন আর পি মুথৎখিবদগী কম্বোদিয়াবু ৱান-পার্টি ষ্টেট অমা ওইরে হায়না ক্রিটিকশিংনা ফোঙদোক্লখিবনি। সী এন আর পিগী লুচিংবা কেম সোখা চহী অনী ফাজিন্দুনা থমখিবা মতুং হৌখিবা চহী অসি হাউস এরেষ্ট তৌদুনা গভর্নমেন্ট চিংথুনবা শরৌ শীল্লম্বগী মরালদা ৱায়েল মায়োক্লবা ঙাইহল্লিবনি।

**IN THE COURT OF ASSTT. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, III, LAMPHELPAT**

**Ref :- Mutation Case No. 265/AS&SO III** **Dt. 13/09/2019**

Angom Mema Devi W/o (Late) A. Khomdonbi Singh of Wangkhei Angom Leikai. *-Petitioner*

-Vs-

(Late) Angom Khomdonbi Singh S/o (L) Gourahari Singh of Wangkhei Nongpok. -O.P.

ꯈꯣꯡꯆꯠ / **NOTICE**

Imphal, dt.16/09/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুন নং ২৭ - ৱাংখৈ নোংপোক পাট্টা নং ৩৭১/অংশ অরিবা, ৯/৬৭২ অনৌবা, দাগ নং ৫৯/১৬৮, এরিয়া .০৭২ একর চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং অঙোম খোমদোনবী সিংহ মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২৩/০৯/২০১৯ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিখ অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

*Sd/-* **Asstt. Survey & Settlement Officer III, Manipur**

HL-P/4246/17

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL**

**Ref :- Mut. Case No. 1184/SDC/NBL of 2019**

Ningthoujam Thabatombi Chanu D/o N. Raghumani Singh of Kongkham Mayai Leikai. *-Petitioner*

-Vrs-

(L) Naorem Biren Singh S/o (L) N. Ibochou Singh of Kongkham Mayai Leikai. *-Pattadar*

ꯈꯣꯡꯆꯠ / **NOTICE**

Dt. 16/9/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 22 - Naorem Patta No. 300 (Old), 509 (New), Dag No. 1386, Area 0.74 acre of Phourel Class হায়রিবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা লৌফম নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

***Sd/- S. Dhiren Singh***
Sub-Deputy Collector, Nambol

HL-P/3693/17

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : KUMBI, MANIPUR**

**Ref :- Mut Case No. 666/SDC/KBI/2019**

Khundrakpam Kunjabihari Singh S/o (L) Kh. Karna Singh of Kwakeithel Thounaojam Leikai, Imphal. *...Petitioner*

-Vrs-

(Late) Khundrakpam Karna Singh S/o (Late) Kh. Bapu Singh of Ningthoukhong. - OP.Pattadar

ꯈꯣꯡꯆꯠ / **NOTICE**

Kumbi, the 16th Sept. 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৬৪ - কুম্বীদা লৈবা পাট্টা নং ১৬৪৭ (অনৌবা), সী এস দাগ নং ৪৩১৫, ৪৩৮১, এরিয়া ২.৯৭ একর চাউবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসিগী মৃ: পাট্টাদারগী মচানুপা পিটিস্নরদা মীং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না মখা কেস চথগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Kumbi**

HL-P/4245/17